# ফিলিপিন্সকী লান্মীশিং অমসুং মিনিষ্টরশিং অয়াবা য়াওদনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্লল্লে



মনিলা, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
ফিলিপিন্সকী লান্মীশিং অমসুং কেবিনেট মিনিষ্টরশিং রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল য়াওদনা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাংয়েং লোয়বদা ঙাইরিবা ভেক্সিনশিং শীজিন্নবদা সেফটিগীদমক্তা রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল য়াম্না মথৌ তাই হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকপা লৈনা লৈনা গ্রুপশিং অমসুং মিনিষ্টরশিংনা ভেক্সিন কাপখিবনি হায়রি।

ইন্টিরিয়র মিনিষ্টর ইদুৱার্দো অনোনা কেবিনেট মেম্বর খরা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। অর্মী চীফ লেফটনেন্ট জেনরেল সিরিলিটো লেবেজানানসু গ্রুপ খরা ভেক্সিন কাপখ্রে হায়রি। করম্বা ব্রান্দগী ভেক্সিন কাপখ্রিবনো হায়বদি মখোয়নিমক্না পনখিদে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খিবদা ভেক্সিন খুদিংমক এক্সপার্টশিংনা হান্না য়েংশিনগদবনি। গুপ্নগী এপ্রুভ তৌরবা অমসুং খুদোংথিনিঙাই ওইদে খঙলবা ভেক্সিনশিংদমক শীজিন্নগদবনি।

ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক রোলান্দো ইনরিক দোমিনগোনা ফোঙদোকখিবদা ফিলিপিন্সকী রেগ্যুলেটরশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অমত্তা এপ্রুভ তৌবা লৈত্রি। অদুনা ভেক্সিন পুশিল্লকপা, য়েন্থোকপা অমসুং য়োনবগী থবকশিং ইলিগেল ওই।

এপ্রুভ তৌদবা ভেক্সিনশিং শীজিন্নবদা মখল খুদিংগী খুদোংথিবশিং মায়োক্নহল্লকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌবগা লোয়ননা দেমিনগোনা সী এন এন ফিলিপিন্সতা হায়খি মদুদি হীদাকশিং অসি শীজিন্নবগী মরমদা মুন্না খঙদবা তারবদি সাইদ ইফেক্ট কয়া থোক্লকপা য়াই।

হৌজিক ফাওবদা ফাইজর খক্তনা ফিলিপিন্সতা মখোয়গী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ইমর্জেন্সি লায়েংদা শীজিন্ননবা য়াহনবীনবা এপ্লাই তৌরি। সিনোভেক, গমালেয়া, জেন্সন এন্দ জোন্সনগী জনসেন অমসুং ক্লোভরনা অরোইবা তাঙ্কক্কী চায়েংগীদমক হায়জবদা অয়াবা পীদ্রি।

লান্মীশিং ভেক্সিন কাপখি হায়বগী মতাংদা খঙবা লৈতে হায়না হেল্থকী অন্দরসেক্রেটরি মারিয়া রোজারিও ভরজেরিনা ফোঙদোকখি। মিলিটরি স্পোক্সমেন কর্নেল ইদগার্দ অরেভালোনা আর্মদ ফোর্সেসকী লিদরশিংনা ভেক্সিন কাপ্নবগী অয়াবা পীখিবা লৈতে হায়খি। মহাক্কী মতুং ইন্না ভেক্সিন কাপখিবশিংদুদা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেদা এসাইন্দ তৌবা স্পেসল সিক্যুরিটি য়ুনিটকী মেম্বরশিং য়াওই।

প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টে হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন কাপত্রি হায়না মহাক্কী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখি। দ্যুটর্টেনা থাংজ নুমিত্তা হেল্থ ওফিসলশিংগা উন্নবদা লান্মী অয়াম্বা চাইনানা শাবা ভেক্সিন কাপ্লে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# রশিয়ানা সিরিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা অহেনবা মিলিটরি পুলিস থাজিনখ্রে



মোস্কো, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
টর্কিনা শৌগৎপা ফাইটরশিংনা কর্দিস ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্নরিবা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমগী মফম অমদা অহেনবা মিলিটরি পুলিস থাজিনখ্রে হায়না রশিয়ানা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

রশিয়ানা অহেনবা মিলিটরি পুলিস থাজিল্লিবা মফম অদু রশিয়ন অমসুং টর্কিস গ্রুপশিংনা পুন্না পেত্রোলিং তৌমিন্নবা ষ্ট্রেটেজিক হায়ৱে অমগা নক্না লৈ।

রশিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভ অমসুং টর্কিগী মহাক্কী লেংমান্নবা মেভলুট কাভুসোগলুগী মরক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সার্উর্দন রশিয়াদা ৱারী শান্ননবা থৌরাং তৌরিঙৈদা মোস্কোনা অহেনবা মিলিটরি পুলিস থাজিনবগী খোঙথাং অসি লাক্লিবনি।

মোস্কো অমসুং অনকারানা তোঙান তোঙানবা মাইকৈশিং লেপ্ন রিবা সিরিয়াগী ইশ্যু অসি দিপ্লোমেট অনীনা খন্নগদবশিংগী মনুংদা য়াওরি।

থা অসিগী অঙনবদা নোরর্দন সিরিয়াগী অইন ইসা টাউন মনাক্তা টর্কিনা শৌগৎপা ফাইটরশিং অমসুং কর্দিস ফোর্সশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্নরকখি। টাউন অসি সিরিয়াগী মরু ওইবা সিটিশিং শম্নহল্লিবা অমসুং রশিয়ন অমসুং টকিস গ্রুপশিংনা পেত্রোলিং তৌরিবা এম ৪ হায়ৱে পরিংদা লৈ।

সিরিয়াগী অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা লমদমশিংগী চাওরবা মফমশিং পায়শিল্লিবা কর্দিস ৱাই পি জি মিলিস্যাগী মায়োক্তা লান্দাশিন্দুনা টর্কিস ফোর্সশিং অমসুং মখোয়গী মীচং ওইরিবা সিরিয়াগী লালহৌবা কাঙবু খরনা মফম কয়া খুদুম চৎখি।

রসিয়ানা নোংমাইজিং নুমিত্তা মফম অদুদা অহেনবা মিলিটরি পুলিস থাজিনখিবনি। রশিয়ন দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, আইন ইসা এরিয়াদা তংদু লৈতাদবা ফীভম লৈ হায়বা খঙবদগী লৌখৎফম থোকপা তঙাইফদবা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপনি। মমাংদা ৱারী শান্নরিঙৈদা অপূনবা রশিয়ন সিরিয়ন ওবজার্ভেসন পোষ্টশিং লৈহনবগী ৱাফম য়ানখি। রশিয়ন মিলিটরি পুলিসকী অহেনবা য়ুনিটশিং নোংমাইজিং নুমিত্তা আইন ইসা এরিয়াদা থুংলখ্রে।

মফম অদুবু ৱারপ্লেনশিংনা পেত্রোলিং তৌহন্নরকখিবা মোস্কোনা নাকল অনীমক্তা অমগা অমগা সেল কাপশিন্নবা লেপ্নবা আপীল তৌখ্রবনি হৌখিবা পুং ২৪ গী মতমদা টর্কিনা শৌগৎপা ফাইটরশিংনা সেল কয়া কাপশিল্লকখি হায়না মোস্কোনা ক্লেম তৌরি।

# ত্রোপিকেল সাইক্লোনন ফিজিগী য়ুম ১,৫০০ হেন্না মাঙহন তাকহনখ্রে

*সুভা, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :*
*ত্রোপিকেল সাইক্লোন য়াসানা মরম ওইদুনা ফিজিগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা ঈথৎ ওইরিবা ভানুৱা লেভুদা য়ুম ৭৫০০ হেন্না মাঙ তাকখ্রে। য়ুম ১,৫০০ হেন্না মপুং ফানা মাঙ তাকখি হায়রি।*

*ফিজি ব্রোদকাষ্টিং কোরপোরেসন (এফ বি সী) গী মতুং ইন্না, ৱাফম অসি নোরদর্ন দিভিজনগী কম্মিস্নর উরাইয়া রাইনিমানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কনফার্ম তৌখি। মহাক্কী মতুং ইন্না, মখোয়না অহানবগী দেমেজ এসেসমেন্ট নোংমাইজিং নুমিত্তা লোইশিনখি।*

*চৈরকসিদা ইদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা হায়রি মদুদি ত্রোপিকেল সাইক্লোন য়াসানা হুমখিবা মফমশিংদা স্কুল ৮৫ রোমকা হেন্না নত্তবদা অমাং অতা থোক্লল্লে। হৌজিক হৌজিক ফিজিগী অৱাং থংবা লমদমগী ভানুৱা লেভুদা ইভাক্যুএসন সেন্টর ৮০ লৈ। মখোয়গী মনুংদা ৬৮ দি স্কুলশিংনি।*

*রসন বেক ২২,০০০ রোম ইভাক্যুসন সেন্টরশিং অদুদা য়েহ্নোকখ্রে। নোংলৈ নুংশিং অদুনা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা লমদমগী এগ্রিকলচর সেক্টরদা চাওনা চৈথেং পীখি।*

*নোংলৈ নুংশিংনা শোক্লবা মফমশিংদা মচি ওইবা চীঞ্জাকশিং ফঙহন্নবগী থৌরাং অমা থুনা পায়খৎপা মথৌ তারে হায়না ফিজিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখি।*

*সাউথ পেসিফিক লমদমদা ত্রোপিকেল সাইক্লোনগী মতম অসি চহী খুদিংগী নবেম্বর অমসুং এপ্রিলগী মরক অসিনি। লোয়ননা কুমজা ২০২০/২০২১ গী ওইনা ফিজিদা ত্রোপিকেল সাইক্লোন অহুম লাক্কনি খন্নখিবগা হৌখিবা দিসেম্বর ১৭-১৮ দা ত্রোপিকেল সাইক্লোন য়াসানা ফিজিদা হুমজিল্লক্তুনা মীওই ৪ হাৎখ্রে হায়রি।*

# ইথিওপিয়াদা পুলিসনা রোইটর্সগী কেমেরামেন ফাখ্রে



নাইজেরিয়া, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
ইথিওপিয়াগী কেপিটেল অদিস অবাবানা শগোলশেন নুমিত্তা রোইটর্সগী কেমেরামেন কুমেরা গেমেচু ফাখ্রে হায়না মহাক্কী ইমুংনা ফোঙদোরক্লি।

ইথিওপিয়ন পুলিসনা ফাখিবা কেমেরামেন গেমেচুগী ইমুং মনুংগী মতুং ইন্না মহাক য়ামদ্রবদা চয়োল অনী ফাজিন্দুনা থমগনি। মঙোন্দা চার্জ তৌবা লৈত্রি।

কেমেরামেন অদুবু শগোলশেন নুমিত্তা ফাখিবগী মতাংদা ইমুং মনুংদা মরম পীখিদে অমসুং এজেন্সি অসিনা হংবদা পুলিসনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। মশাগী চহী ৩৮ শুরবা কুমেরা চহী ১০ ফ্রিলেন্স কেমেরামেন অমা ওইনা রোইটর্সতা থবক তৌরকখি।

উকিল অমত্তা লাকখিদবা ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা অতেনবা কোর্ট হিয়ারিং অমদা জজ অমনা কুমেরাবু নুমিৎ ১২ নি দিটেন তৌদুনা পুলিসতা ইনভেষ্টিগেসনগী মতম পীনবা ওর্দর তৌখি হায়না ইমুং মনুংদা ফোঙদোকখি।

রোইটর্স ন্যুজ এজেন্সিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইথিওপিয়ন পুলিসনা কেমেরামেন ফজিল্লবদুবু কন্দেম তৌখি। কেমেরামেন ফাবগী খোঙথাং অসি দিসেম্বর ১৬ তা ইথিওপিয়াগী ফেদরেল পুলিস ওফিসর অনীনা টিকসা নাগেরি কৌবা রোইটর্সগী ফোটোগ্রাফর অমা ফু চৈখিবা মতুংদা লাকপনি।

কেমেরামেন কুমেরা নীংতম্না অমসুং মীচং মীখাই নাইদনা ইথিওপিয়াগী পাউ রোইটর্সগী টিমদা য়াওবা মীশক্নি। মহাক্না তৌরিবা থবকশিংনা মথৌদা কখোকপা অমসুং মীচং মীখাই নাইদনা পাউ পীবগী মতৌ উৎলি। মহাকপু ফাবা য়াবা মরম লৈতে হায়বসি ঐখোয় খঙই হায়না এডিটর ইন চীফ ষ্টেফেন জে এদলরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা জর্নেলিষ্টশিংবু মফম খুদিংমক্তা অকিবা লৈতনা পাউ খোম্বা অমদি পীবা য়াহনগদবনি। কুমেরা থাদোক্ত্রিফাওবা ঐখোয় তুমিন্না লৈরোই হায়না এদলরনা মখা তাখি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা অদিস অবাবাদা লৈবা কুমেরাগী য়ুমদা খুলাই পায়বা ফেদরেল পুলিস ওফিসর ১০ রোম লাকখি অমসুং মহাক মখোয়না মহাক্কী লোয়নবী অমদি অঙাং অহুমগী মমাংদা হেন্দকফ চল্লগা পুখি। মশাগী চহী ১০ শুবদা ঙাইরিবা মচানুপী অহলনা কপ লাউদুনা মপাদা য়ানখি হায়না মহাক্কী লোইনবী হাৱি দেসালেগননা ফোঙদোকখি।

ইমুং মনুংগী মতুং ইন্না পুলিসনা কুমেরাগী ফোন, কম্প্যুটর, ফ্লাস দ্রাইভশিং অমসুং চে চাংশিংসু ফাজিনখি।

ইথিওপিয়াগী অৱাং থংবা টিগ্রে রিজনদা থোক্লিবা কনফ্লিক্টকী পাউ পীরিবা ইন্টরনেস্নেল ন্যুজ আউটলেট খরগী জর্নেলিষ্টশিংদা গভর্ণমেন্টনা প্রেসর পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা রোইটর্সগী কেমেরামেন কুমেরাা ফাখিবনি।

# দোনাল্ড ত্রম্পনা ত্রিল্লিয়ন দোল্লর ২.৩ গী কোভিদ-১০ এইদ বিল খূৎয়েক পীখ্রে



ৱাশিংটন, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিত্তা দোল্লর ত্রিল্লিয়ন ২.৩ গী ওইবা পেন্দমিক্কী এইদ অমসুং চাদিংগী পেকেজ খূৎয়েক পীখিবগা লোয়ননা অমেরিকান মিল্লিয়ন কয়াদা থবক ফঙদবগী বেনিফিটশিং মখা তানা ফংহল্লগনি লোয়ননা গভর্ণমেন্টগী থবক থৌরমশিংদা পার্সিএল সটদাউন লৈরমগদবদু থোক্লরোই হায়না ওফিসলশিং ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায়থীদুনা জন্যুৱারি ২০ দা ওফিস থাদোক্তদৌরিবা ত্রম্পনা বিল অদু থিংজিনগনি হায়না কিহল্লম্বদগী পার্টি অনীমক্কী লোমেকরশিংনা প্রেসর কন্না পীরকখিবগা লোয়ননা ফীরেপ হন্দোকখিবনি। বিল অদু কোংগ্রেসনা হৌখিবা চয়োলদা এপ্রুভ তৌখি।

রিপব্লিকান প্রসিদেন্ট অসি নোংমাইজিং নুমিত্তা গোল্ফ শান্নদুনা লৈখিবনি। গভর্ণমেন্ট সটদাউন তৌরকপা য়াবগী ফীভম লৈরবসু মীয়াম্না উবা ফঙনখিদ্রবা ত্রম্পনা কেংগ্রেসতা অৱাবা নংলবা অমেরিকানশিংগী ষ্টিম্যুলস চেক্কী সাইজ দোল্লর ৬০০ তগী দোল্লর ২,০০০ ওইহন্নবাবিল অদুদা অহোংবা লাকহন্নবা দিমান্দ তৌখি।

অচৌবা লেজিসলেটিভ পেকেজ অদুবু থিংলম্বদগী ত্রম্পকী ৱাখলদা অহোংবা লাক্লিবদু করিগীনো হায়বসি খুদক্তা খঙবা ঙমখিদে। ত্রম্পনা করি খল্লিবা হায়বগী মতাংদা মহৌশানা হ্বাইট হাউসকী ওফিসলশিংনা কম্মেন্ট পীনদ্রবসু ওইরক্লিবা ফীভম অদুগী মতাংদা খঙবা সোর্ছ অমনা হায়খি মদুদি এদভাইজর খরনা মঙোন্দা কান্নগদবা লৈতে হায়রদুনা খোঙফম হন্দোক্লবা হায়বদগী মহাক্কী ফীরেপ হোংখিবনি।

কোভিদ রিলিফ বিলগী অফবা পাউ লৈরে হায়না ত্রম্পনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা ত্বিটরদা ইখি। দেমোক্রেটশিংনসু দোল্লর ২০০০ পীবগী ৱাফম অসি শৌগৎলবসু রিপব্লিকান কয়ানা মমাংদা মদুবু য়াখিদে।

শেল থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনহনবা য়ানবা বিল অদুদা পল্লিবা শেলগী তেংবাং ৱাংহনফম থোকই হায়বসি ইকনোমিষ্ট কয়ানা য়ানখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না কোরোনা ভাইরসকা মরী লৈনবা লোকদাউনশিংনা চৈথেং পীরবা অমেরিকানশিংদা ঙাক্লৌ পীনবা খুদক্কী ওইবা থৌরাংশিং লৌখৎফম মথৌ তাই হায়নসু থমখি।

# ৱুহানদা ভাইরস শন্দোরকখিবগী মতাংদা পাউ পীখিবা চাইনিজ সিটিজন জর্নেলিষ্ট জেলগী চৈরাক পীখ্রে

*সাংহাই, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :*
*হৌখিবা চহীদা কোরোনা ভাইরস কী লায়চৎ কল্লিঙৈ মতমদা চাইনাগী সেন্ত্রেল সিটি ৱুহানদগী লায়না অসিগী মরমদা পাউ কয়া মরিক চুম্না পীখিবা সিটিজন জর্নেলিষ্ট অমা চাইনিজ কোর্ট অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চহী মরি জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।*

*মশাগী চহী ৩৭ শুরবী সিটিজন জর্নেলিষ্ট জাং জান খৎননবা মরম থিবা অমসুং খুদোংচাদবা কয়া থোকহনবগী মরালদা চহী মরি জেলদা লৈবগী চৈরাক অদু পীখিবনি হায়না মহাক্কী উকিলনা ফোঙদোকখি।*

*জাংনা ৱুহানদা লৈরিবা পেসিএন্ট কা হেন্না চিনবা হোস্পিটালশিং অমসুং পুংহাং হাংলবা লম্বীশিংগী মরমদা পাউ কয়া পীদুনা পেন্দমিক্কী ইপিসেন্টর ওইরিবা সিটি অসি ওথোরিটিশিংনা উৎলিবা কয়াদগী হেন্না হঙ্গোইহনখি।*

*ৱায়েন অদুবু মপুরোইবগা লোয়ননা কোর্টতা চত্তুনা য়েংখিবা জাংগী মমা সাও ৱেঞ্জিয়ানা হায়খি মদুদি জাংনা ইখিবশিংদি অচুম্বা ৱাহৈ খরদনি। মদুগীদমক্তা মহাকপু চহী মরি জেলদা লৈবগী চৈরাক পীবিরি।*

*জাংগী উকিল রেন কুৱানিয়ুনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা, ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা ঐখোয়না আপীল তৌগনি। সংহাইগী বিজিনেস হব ওইরিবা পুদোং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোর্ট অমদা চখিবা ৱায়েল অদু নুংথিল পুং ১২.৩০ দা লোয়খি।*

*মহাক্না হায়খি, নীংতম্না ৱা ঙাঙবদা ফোঙদোক্লিংবা ফোঙদোকপা য়াবগী রাইট শীজিন্নরুবগীদমক্তা মহাক্কী মায়োক্তা কেস লৌখৎলিবনি হায়না জাংনা থাজে।*

*ত্রাইসিস অদুবু ঙল্লিঙৈ মতমদা থেংননবগী থবক থৌমীশিংগী মতাংদা ঙাঙবা নত্রগা ইবদা চাইনানা অথিংবা কয়া থমখি। লায়চৎ থেংনবদা মাংজিল থাবদা শরুক য়ারিবা ডোক্টরশিংদা ফাওবা ৱার্নিং তৌখি। লৈবাক অদুদা কোরোনা ভাইরস লাকশিনবদা মায় পাকপা ঙল্লিবদু প্রসিদেন্ট সী জিনপিংনা লুচিংদুনা হোৎনবগী মপান্ননি হায়না ষ্টেট মীদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।*

*চাইনিজ সিটি ৱুহানদগী হৌখিবা কোরোনা ভাইরসকী লায়চৎ মালেম শিন থুংদুনা মীওই মিল্লিয়ন কয়া শোকহনখি অমসুং মীওই মিল্লিয়ন ১.৭৬ হেন্না শিহনখি। মালেমগী লৈবাকশিংনা লায়চৎ থিংনবা এয়র ত্রাভেলদা অথিংবা থম্নখিবগা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিশিং অমসুং হিংনবগী লম্বী কয়াদা চাওনা অকায়বা থোকখি।*

# চাইনাগী লুচিংবশিংনা নেপালগী প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টর উনখ্রে



*কথমান্দু, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :*
*পার্লিয়ামেন্টগী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবশিংগী ৱাথোক অমা লাকখিবদা চাইনিজ লিদরশিং নুংনাংবা পোক্নখিবগা লোয়ননা চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী অৱাংবা থাক্কী দেলিগেসন অমা কথমান্দুদা থুংদুনা নেপালগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা মীফম চথুবা হৌখ্রে।*

*নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা সী পি সীগী ভাইস মিনিষ্টর গুরু য়েঝৌনা প্রসিদেন্ট ভন্দারী অমদি প্রাইম মিনিষ্টর কে পি শর্ম্ম ওলিনা ৱারী শানখি।*

*ওলিগী ফোরেন এফেয়র্সগী এদভাইজর রাজন ভাতারিনা ফোঙদোকখিবদা, নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীফম পাঙথোক্লবা লেপখিবা লৈরবসু গুৱোনা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা প্রাইম মিনিষ্টরগীদা চৎখি। মীফম অদু পুং অনীরোম চুপ্না চৎখি। তৌইগুম্বসুং মিটিং অদুদা মখোয়না খন্নখিবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখিদে।*

*সী পি সীগী মেম্বর মরিগী দেলিগেসন অদুনা সিটল নিৱাসতা প্রসিদেন্ট ভন্দোরিগা উনখি। মখোয়না লৈবাক অনীগী ওইবা ইশ্যুশিং অমসুং রুলিং নেপালি কোংগ্রেস মনুংগী ৱাথোক্কী মতাংদা খন্ন নৈনখি।*

*টিম অদুনা এন সী পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমসুং ওপোজিসন নেপালি কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংগসু উনগনি।*

*এক্সপার্টশিংগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৮ দা চাইনানা মতেং পাংদুনা ৱানা শেমখিবা রুলিং এন সী পি অনী থোক্না কায়খিবগা ঈরোয়ননা চাইনিজ টিম অদু নেপালদা লাক্লিবনি।*

*ওলিগী সী পি এন-য়ু এম এল অমসুংপুশপা কমল দাহলগী সী পি এন (মাওইষ্ট সেন্টর) না এন সী পি শেম্লে হায়না লাউথোক্কদবা থা খরগী মমাংদা কুমজা ২০১৮ গী ফেব্রুৱারীদা গুওনা লুচিংবা চাইনিজ দেলিগেসন অমা কথমান্দুদা লাকখিবনি।*

*কম্যুনিষ্ট এলাইএন্স অমগী মখাদা পার্টি অনীনা কুমজা ১০১৭ কী মীখলদা কন্টেষ্ট তৌখি অমসুং চাওনা মায় পাকখি।*

*এন সী পিগী সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না চাইনিজ, লিদরশিংনা পাল্লিবদি কম্যুনিষ্ট পার্টিশিং পার্টি অমত্তা ওইনা পুনশিনবা অমসুং নেপালদা তংদু লৈতাবা ফিভম লৈহনবা অসিনি।*

*ওলিনা খঙহৌদনা হাউস মুখত্তুনা পার্টি মচেৎ তাহনখিবদা চাইনিজ লিদরশিং ঙক্নখি হায়না সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি।*

# সাউথ কোরিয়াদা য়ু কেগী কোভিদ ভেরিয়ন্ট থেংনবদগী ভেক্সিনেসনগী প্রোগ্রাম য়াঙশিনহল্লগনি



সিওল, দিসেম্বর ২৮ (এজেন্সী) :
কোরোনা ভাইরসকী য়াম্না লৌনগল্লি হায়রিবা ভেরিয়ন্টকী কেস খরা সাউথ কোরিয়াদা অহানবা ওইনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা থেংনখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ওফিসলশিংনা মীয়ামদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্নবগী প্রোগ্রাম য়াঙশিনহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

বৃটেনদা ইনফেক্সন থুনা হেনগৎহনখিবগা মরী লৈনবা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অদু দিসেম্বর ২২ দা লন্দনদগী সাউথ কোরিয়াদা লাকখিবা মীওই অহুমদা পল্লম্বা থেংনরে হায়না কোরিয়া দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সন এজেন্সি (কেদিসীএ) না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়ানা বৃটেনদগী লাকপা দাইরেক্ট ফ্লাইট খুদিংমক মখা তানা অতোপ্পা চয়োল অমগা হায়বদি জন্যুৱারি ৭ ফাওবা অথিংবা থমখিবনি অমসুং বৃটেন নৎত্রগা সাউথ কোরিয়াগী পেসেঞ্জর খুদিংমক দিপার্চরগী মাঙওইননা টেষ্ট তৌবা চঙলগনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাউথোকখি।

কেদিসীনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অহিং নোংয়াই ফাওবদা অনৌবা কেস ৮০৮ রিপোর্ট তৌখি। মদু ইরাই নুমিত্তা রেকোর্দ ওইবা মওংদা পুন্না ইনফেক্সন ১,২৪১ থেংনখিবদগী খ্বাইদগী নেম্বা মশীং ওইরি।

কেস মশীং হন্থরিবদু চয়োলগী অরোইবা শরুক অমসুং খৃষ্টমাসকী ছুটিদা টেষ্ট তৌবগী চাং নেম্বদগী ওইবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হায়খি মদুদি মখোয়না সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাংলোনশিং জান্যুৱারিগী অঙনবা শরুক ফাওবা চৎহল্লগনি।

ভেক্সিন লৈবা অমসুং কাপ্পগী প্রোগ্রামগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী মীওই সেক্সন কয়ানা গভর্ণমেন্টবু ক্রিটিসাইজ তৌদুনা লাকখি। গভর্ণমেন্টগী থৌরাংশিংগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিদা ভেক্সিন কাপ্পা হৌগদৌরিবসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা হৌখিবা থা কয়াগী মতুং মথং চহীগী অহানবা থা অহুমগী মনুংদদি ভেক্সিনগী থৌরাংশিংগী মতাংদা শেরান্নবা মিৎয়েংশিং লৈনবদগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইন য়ানিংদবগী রেটিং মমাংদা থেংনখিদ্রিবা মওংদা চাদা ৬০ রোম য়ৌনা ৱাঙখি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা পোলষ্টর রিএলমিটরনা হায়খি।

মিনিষ্ট্রি ফুদ এন্দ দ্রগ সেফটিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখিবদা, রেগ্যুলেটরশিংনা ভেক্সিনশিং অমসুং ত্রিটমেন্ট এপ্রুভ তৌবগী মতম চাংচত্তা নুমিৎ ১৮০ লৈরম্বদগী শুপ্নগী নুমিৎ ৮০ দা হন্থহল্লগনি। মহৌশানা থা কয়া চঙনা ভেক্সিন য়েন্থোকপা অমসুং য়োনবগী ওইবা অহেনবা এপ্রুভেল প্রোসেসনা শুপ্নগী নুমিৎ ২০ রোমদা তেনশিল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি।

মেদিকেল ৱার্করশিং অমসুং অহল ওইরবা মীওইশিং ফেব্রুৱারিদা ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি হায়না প্রসিদেন্ট মুননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।